ক্রিমিনেল আইন (Criminal Law) মীয়ামদা শেমদোক্লগা খঙহন্নবগী থৌরাং।

ৱেবসাইট অসিগী মীৎয়েং পান্দমদি কমিটিনা ৱাফমশিং খোমজিন্দুনা ক্রিমিনেল আইন শেমদোক্লবা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি।

ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (Ministry of Home Affairs) না শেমখিবদুগী কমিটিশিনা করি তৌগদৌরিবনোদি খঙদ্রবসু য়েংবদদি কাচিন-কোয়া য়ৌনা ভারত্তা ক্রিমিনেল আইন শেমদোক্লবনি। ভারতকী মীয়াম খুদিংদা শেমদোক্লবা ক্রিমিনেল আইনশিনা অকনবা চৈথেং অফবা মওংদা পীগদবা মাল্লি। ক্রাইম অমনা শোকহল্লবা মীওই অমা ওইনা নল্রগা শোকহল্লিবা মীওই নল্রগা চুন্না শান্তি ওইনা লৈনিংবা হিংনিংবা মীওই অমদসু অদুগা ইতোপ-তোপ্পা মীওই কাংলুপ খরদসু ক্রিমিনেল আইন অসিনা চৈথেং পী। লাইরবা মীওই নল্রগা মশিং য়ামজদবা মীওই কাংলুপ তোঙান্না লাইনিং-লাইশোন অমদা হিংজরিবা কাংবু খরদসু অদুগা সেদ্যুল কাষ্ট (Schedule Caste) শিং, ত্রাইবেল কাংলুপ খরদসু ক্রিমিনেল আইন্না অকনবা চৈথেং পী। সিফাই (Police) কি মীওৎ-মীনৈ মতম শাংনা বিচার তৌদনা জেলদা থম্বীবা অকনবা চৈরাকশিং আইনগী খুত্থাংদা মতেং ফংদবশিং ক্রিমিনেল আইনশিনা অৱাবা পীরি। নুপীশিংদা, ত্রান্সজেন্দর (transgender) সেক্সুএল মাইনোরিটিজ (sexual minorities) শিংদা কা-হেন্না নুপা-নুপী খেৎনবগী মীৎয়েংদা ক্রিমিনেল আইনশিনা য়াম্না থৌশাবীদ্রে। মতাইৱাইদা লৈরিবা মীওই কাংলুপশিং অসিনা ক্রিমিনেল আইন শেমদোকপশিনা করি তৌরি-তৌগনি হায়বশি খঙবা মথৌ তাই। মসিগী ৱেবসাইটশিগী পান্দমদি হৌজিক শেমদোক্লবা হোৎনরিবা চত্থরিবা খোঙজং অসি মুন্না ভাব তামিন্নবনি। মসিগী লামাইশিদা ঐখোয়না শল্লপ্পা

পুথোকচরিবশে কমিটিশিদা য়াউরিবা মীওইশিংশি অমসুং চত্থরিবা থৌওং কয়া অসিগী মায়োক্তনি।

মরুওইনা মীওই কাংলুপ খুদিং তান্নবিদবনা মীয়ামদা থৌওং অসি য়ানিংদবনি হংলিবা ৱাহংশিংশিদা য়াউরিবা তেল্লবা মতমদা লোইশিন্নবা থৌওংশি য়াউই।

II. ঐখোয়না হোৎনজরিবা অসি মীপুম খুদিং আইন খঙবা খঙদবা থিদনা জ্ঞান তাহন্নবনি। হায়নিংলিবদি কমিটিশে মীয়ামগী য়াইফনবা শেমথিবনি অদুনা মীপুম খুদিং থৱাই য়াউবা মথৌ তাই।

III. কমিটিশিগী মাংদা থম্লিবা পান্দমদি সংবিধান্না পীরিবা কাংলোনশিং অমসুং মীওই খুদিংমক্কী শোক-পন্দনবগী খুনাইশি অদুগা লৈবাক অসিগীনি। মসি লৈবাকশিনা কোভিড ১৯ (Covid-19) গী লান থেংনরিঙৈ মনুংশিদা থোক্লে। মতাংশিদা লৈঙাকশিনা মীওই খুদিংগী লেবর এনভাইরনমেন্ট (labour environment), লেন্দরাইটস (landrights) শোকহন্নবা শেমজিল্লক্লি। লৈবাক্কী লৈঙাকশিনা ক্রিমিনেল আইন হায়বদি নেশনেল সেক্যুরিটি এক্ট ১৯৮০ (National Security Act 1980) অমসুং UAPA 1967 শিনচিংবা অসি সোসিএল এক্টিভিষ্ট (Social activist) ছাত্রশিং মাইনোরিটিগী অমসুং একাদমিকশ (academics) শিং মথক্তা হায়রিবা আইনশি শিজিন্নরি।

মরুওইরিবদি কমিটিশিনা মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমগদৌবা লোয়ননা ময়েক শেংনা নিয়ম চুন্না থবক তৌগদবদু পাম্মী।

তৌবগীদি কমিটিশিনা হায়রিবশিং অসি পাঙথোকপা ঙমদৌবা মান্দে।

A. (OPACITY) ওপাশিটি মীৎয়েং কমিটিশিগী থৌওংশিং প্রজাদা হৌবদগী ময়েক শেংনা খঙহন্দে। লৈরিবা ফ্রেমৱার্ক (Framework), থবকশিং অপুনবা কমিটিশিনা মীয়ামদা খঙহন্দে।

B. কমিটিশিনা ঙসিফাউবদা মখোয়না মীয়ামদগী খোমখিবা ৱাহংশিং অমত্তা পাউখুম পীদে ৱাহং পাউখুম খঙহনবীদে। মসি খঙহনবদি কমিটি অসিনা য়াম্না মরুওইবনি ফাউই।

2. টাইমলাইনশ (Timelines) অকক্লবা মতমদা কমিটিশিসু কোভিদ ১৯ (Covid 19)গী অকনবা লান মরকশিদা শেম্লে। কনখ্রবা মালেমগী মনুংদা ভারতনা অহুমশুবদা কোভিদ ১৯ (Covid 19)না শোকহনবা লম অমা ওইবগী ৱাবদা থম থেংবা মতম অমশিদা অসিগুম্বা আইন অসি শেম্লে। অদুনা মীয়াম্না তঞ্জাশিদা মপুংফানা শরুক য়াবা হায়বসি ওইথোক্লোই।

B. মতাংশিদা ৱেবসাইটশিগী মতুংইন্না কমিটিশিগী পান্দমদি ক্রিমিনেল আইন (Criminal Law) ময়ামশি শেমদোকপগী ৱাফম্নি।

সবষ্টেন্টিব ইভিদেন্সিয়ারী (Substantive evidentiary) অদুগা প্রোসিদুরেল লো (Procedural Law) য়াউনা শেমদোক্লিংলি। শম্না হায়রবদা মরাল অমশে কমদৌনা মরাল লৈরে হায়না মরাল লৈরবা মী অমদা পীগদোইনো হায়বশিনি অদুগা করম্বা থবকশিবু আইন্না য়াদবা থবক্লি হায়গদৌরিবনো?

খুদম ওইনা ইশানা তৌগে খন্দনা তৌখিবা থবক কমদৌনা করম্বা মরাল শিগদোইবনো? লৈবাক অসিনা "মশানা মরাল লৈরে খঞ্জরবা" অমবু কমদৌনা করম্বা মীৎয়েং থমগদৌরিবনো? করম্বা কান্দা দিফেন্দেন্ট (defendant)শি মহাক্কী মরাল লোইনা ফংলবা মতুংদা মহাকপু থাদোক্কদৌরিবনো? আই পি শি ১৮৬০ (IPC 1860) করম্বা সেক্সন (section) নো হোংদোক্কদৌরিবশে? মথৌ তৌদবা মীবু করম্বা কান্দা

কমাইনা মরাল শিগদোইনো? কমিটিশিনা খন্নবশি কেটেগোরি ৩ (Category 3)গী মনুংদা ১খক্তংনি। মসিগী ৱাফমশি ৪/৭/২০২০ – ৯/১০/২০২০ {4/7/2020 – 9/10/2020} ফাউবগী মনুং হায়বদি থা অহুমগী মনুংদা লোইশিল্লু হায়। কমিটিশিগী থৌওং মতমশি নকমল্লি খুয়ৌনৈ মরমদি ৱাহং ৩০০ লোমগী পাউখুম শেম্বা পীবা হায়বশি লাইদে। ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম (Criminal Justice System)বু তেনখ্রবা মতমশিদা ওভরহোল (overhaul) তৌগদৌরিবনো? হৌজিক্তি মতমশিদা ফিভমশিদা মসি ওইথোকপা য়ারোই। নিংশিংবা তারবদি মালিমাথ কমিটি (Malimath Committee)না চহি ২ ½ লোম চংনা আইনশি (Law) শেমদোকখি।

Questionnaires

- (a) ওইথোক্লরোইদবা ৱাহং ময়াম হায়বদি ৱাহং ৬ (Q. 6)তা ৱাহং ৪৬ (Q. 46) শেম্বা হায়বসি গাইদেন্স (Guidance) লৈতে। য়ুম্ফম লৈতবা মরি-মথোং পীদবা কমদৌনা কমিটি (Committee) অসিনা আইনশি শেমদোক্কদৌরিবনো?
- (b) ৱাহং Questionnaires য়াম্না ফজনসু তাক্তে। মনুংগী ৱাখল্লোন ময়েকশেংনা উত্তে, জ্ঞান তাহন্দে, আইন খংদবা মীনসু ভাব তাবা ঙল্লোই।

কমিটিশিগী ৱাহংশিংদা লৈবা অশোইবশিং –

অহানবা ৱাহংদা য়াউরিবা "Which principles regarding the object and nature of crime should guide the introduction of strict liability offences within the IPC"

IPC মসিনা আইন তম্লক্তবা মীওই অমনা কমদৌনা ষ্ট্রিক্ট লাইএবিলিটি (strict liability) গী অর্থ খঙদোইনো? অমসুং মরিক চুম্লসু আই.পি.সি

(IPC) অসি মখাদা তাক্লমদে। থজিক্তমক পল্লিবা হায়ববু ক্রাইম (Crime) অমনি হায়বশে দিফেন্দেন্ট (Defendant) শিনা মশানা খঙনা তৌরুবদুবুনি। মী অমনা মহাক্লা শোই তৌবা চেক মনা অমা (Cheque) পৈশা কাইবা য়াদবদা মানা তৌগে অমা হায়না তৌথিদে হায়না থাদোকপা য়াব্রা? গাড়ি কন্না থৌবা মী ১ মানা থুনা কন্না থৌগে থন্দে হায়দুনা মাবু থাদোকপা য়াব্রা বাউন্দরি (boundary) লৈতে। স্ট্রিক্ট লাইএবিলিটি (Strict Liability)গী ওফেন্স এক্স (Offence X) দিফেন্দেন্ট (Defendant) অমনা থৌওইদনা তৌরবা শোইথিদুনা নত্তে অদুবু স্ট্রিক্ট লাইএবিলিটি (strict liability)নি হায়গনি। অদুনা কমিটিশিগী মতাংদা মখা তানা থন্ন-নৈনবা মথৌ তাদে। মসি য়াম্না লুবা ৱাফম্নি। ৱেবসাইট অসিদসু ৱারি মতাংশিদা থিজিন্নবগী ৱাফম অমত্তা ফংথিদে।

C. কমিটিশিনা ক্বেসন্নেয়র (Questionnaire) অসি মথং-মনাও নাইনা থল্লি। অহানবদা সবষ্টেন্টিব (Substantive), মথংদা প্রোশিজর (Procedure), অরোইবদা শাক্ষি (Evidence)। মসি ওইথোকপা য়ারোই। চাউনা হায়রবদা সবষ্টেন্টিব ক্রিমিনেল লো (Substantive Criminal Law) হায়রিবা ওফেন্সশি করিনো হায়বনি। প্রোশিজরেল অমসুং এভিদেন্সিঅরি লো (procedural and evidentiary law) মশি কোর্টতা কমাইনা প্রমাণ তৌগদৌরিবনো? মসিনা তাকপদি রিকমেন্দেসনশি ওইথোকপা য়ারোই।

4. প্রোশিজর (Procedure)

কমিটিশিগী ঈ-পাউ অসি ৱেবসাইটশিংদা হাপ্পী। কমিটিশিগী তান্নগদৌবশিংসু ওনলাইন (online) লৈবা ইংলিশ লোন খঙবা মীখক্তংনা ঙমগদৌরি। ভারতকী মী অয়াম্বনা মখল কয়াগী মমালোন লৈ অদুগা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবসু য়াম্না ৱাংলি।

5. কম্পোজিসন (Composition)

কমিটিশিদা য়াওরিবশিংসি মশাগী অতোপ্পা থবক লৈজবা মী ৫ থক্লি। ফুল টাইম (Full Time) ওইবা মীওই মথৌ তাগনি।

6. রিপ্রজেন্টেসন (Representation) লৈতে। অতোপ্পা কাংলুপ মখল মচা-মচাশিংগী জেন্দর (Gender), রেশিয়েল (Racial), সেক্সুএল (Sexual), রিলিজিয়শ মাইনোরিটিজ (Religious minorities) শিং অসিগী মথক্তা ৱার্কিং ক্লাস (Working Class)গীসু থন্নবদা য়াউদে। নোর্থ ইন্দিয়া (North India)গী মীগীদা হেন্না পুক্লিং চিংশিল্লি। কনফ্লিক্ট (conflict) লৈবা মফমগী মীগী য়াউদে। মার্জিনেলাইজ (Marignalised) গ্রুপকী থবক তৌমিন্নবা সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসন (Civil Society Organisation)শিংদগী মীহুৎ অমত্তা য়াউদে।

দেমোক্রেটিক লেজিটিমেসি (Democratic Legitimacy) লৈবা তাবনা ক্রিমিনেল আইন (Criminal Law) খ্বাইদগী চৈথেং ফংলিবা কাংলুপশিংগী মীহুৎ য়াউথিদে, মসি লাল্লি। খুদম ওইনা ওনর কিল্লিং (Honour Killing)গী থন্নবদা মীওইশিংশি আইন শেমদোকপা মতমদা মথোয়গী মীহুৎ য়াউবা মথৌ তাই।

C. লো কমিসন ওফ ইন্দিয়া (Law Commission of India) হায়বসিনা লৈরিবসি প্রজাগী আইনবু য়েংশিন্নবগীদমক্তনি। মদুনা লো কমিশনগী (Law Commission) রিফরেন্স (reference) য়াউদনা চাউখ্রবা লুখ্রবা থবকশি মপানগী কমিটি ১দা শিন্নবশি মরম চাদে।

মথক্কী পুক্নমকশি য়েংলগা কমিটিশি খুদক্তা থবক তৌবা লেপকদবনি। ক্রিমিনেল লো রিফোর্ম (Criminal Law Reform) ইনট্রোদুশ (introduce) হৌদোকপা তারবদি পুন্না থন্ন-নৈনবা অমসুং য়ান্নরগা তৌবনা চুমগনি।

মীহুৎ মতিক চানা য়াউহল্লগা অমসুং কোভিদ ১৯ (Covid 19)গী পেন্দমিক (Pandemic) লোইরগা তৌবনা চুমগনি।